HUEIYEN LANPAO

এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) :

ব্যুরো ওফ আউটরিচ এন্দ কম্মুনিকেসন্স, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কলচরেল ত্রুপশিং অমসুং আর্টিষ্টশিং ইমপে-নেলমেন্ট তৌনবগী এপ্লিকেসনশিং কৌরি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ত্রুপ অমসুং পর্ফোমরশিংগী প্রোগ্রামগী রেটশিংসু রিভাইজ তৌখ্রে। এপ্লিকেসন লৌশিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী সেপ্তেম্বর ৩নি। অসাম, মেঘালয়া, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাদগী থাগদবা ওইরবদি দিরেক্তর জেনরেল নোর্থ-ইষ্ট জোন, গুৱাহাতিগী ওফিসতা থাগদবনি। মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশতগী থাগদবা এপ্লিকেসন ওইরবদি এদিসনেল দিরেক্তর জেনরেল, আর ও বি, ইম্ফালদা থাগদবনি। এপ্লিকেসন অদু হৌখিবা ওগষ্ট ১১ গী ইমপ্লোয়মেন্ট ন্যুজদগী লৌবা য়াগনি। মদু মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগী বি ও সী অমসুং পি আই বিগী ওফিস খুদিংমক্তগী লৌবসু য়াগনি নৎত্রগা www.tiny.cc/Troups তগী দাউনলোদ তৌবসু য়াগনি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ : ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা হাইপৌ জাদোনাংনা লৈখিদবগী ৮৭ শুবা কুমওন নুমিৎকী থৌরমদা মশাগী অচিনবা কয়া কায়থোক্লগা শরুক য়াখিবা দিগনিটিরি খুদিংমকপু হাইপৌ জাদোং ষ্টেট্যু এন্দ পার্ক দিভলপমেন্ট কম দেথ এন্নিভর্সরিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিগনিটরশিংনা শরুক য়ারমদ্রবদি প্রোগ্রাম অদু মায় পাক্লহল্লোই হায়না পল্লদুনা ঐচ জে এস এন্দ পি দি সী কম ঐ জ দি এ সীগী সেক্রেটরিনা প্রোগ্রাম অদুবু চাওনা মায় পাকহনবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস, চুং এন্দ চুং, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং পৱার দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংবুসু থাগৎলক্লি।

ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা বি জে পিগী লুচিংবা অতল বিহারি বাজপায়ীগী মফমদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

খাঙবোক সোরোজিনী ওইল পম্পদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পুরম্বা টি ঐচ যাদুমণিনা লুচিংদুনা মন্দলগী থৌমী কয়ানা লৈখিদ্রবা বাজপায়ীগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি অমদি মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

‘ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংদুনা তুংগী মীরোল কনসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস):

ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংদুনা তুংগী মীরোলশিং কনসি হায়না কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা ঙসি নৈনশঙ ক্লব সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা দ্রগ এৱ্যেরনেস অমদি প্রিভেন্সন প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

স্মার্ট সোসাইটি মণিপুরনা লৌক্রাকপম লৈকায় অখাম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপকা খূৎশম্ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, লমদমসিদা ঙসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসি য়াম্না চেকশিন্না য়েংবগা লোয়নননা থিংনবা হোৎনবা তঙাইফদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লায়চুরবা কয়াবু অফবা লম্বীদা লাক্লবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থিংনবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। তুংগী মীরোল কন্নবগীদমক ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থিংবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি।

ষ্টেট অসিদা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট চৎনৈ। অদুবু, মফম কয়াদা য়ু ফংলি। এক্ট অসি খরা মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াহন্নবা থবক কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মফম কয়াদা য়ুগী ভেন্দর হাংদোরকপা অসিনা য়ু থকপা মীওইশিংদা য়াম্না লায়না য়ু থকফম ফংহনবা অসিনা থকপগী চাং হেল্লি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থিংনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে। হৌজিক্কী মতমদা নুপী ওইবীশিংনসু হীদাক মনাগী পোৎলম য়াম্না শীজিন্নরি। নুপীনা মশা নান্না থোরক্লবদি ক্না মতপ অমা উল্লগা য়াম্না ফজবগী মওংদা চৎনরক্লি। হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা কেন্সর লায়না ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈ। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা হীদাক মনা শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। হীদাক মনা শীজিন্নবগী চাং ৱাংলিবা অসি হন্থনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক, দ্রগ মখল কয়ানা মরম ওইদুনা খুন্নাইদা পীরক্লিবা চৈথেং কয়া অসি খঙমিন্নবা চঙই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লায়চুরবশিংবু কন্নবগীদমক হোৎনবা চঙই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মাঙজবশিং মীপূম তিংনা খঙমিন্ননবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামনচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মশা-মউ ফবা নহাশিং পুথোক্লবগীদমক ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী লাপথোকহনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ক্রিপা সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেশনা হায়খি, মণিপুরদা দল্লিয়ু ৱাই য়াওনা ময়াই কাবা দ্রগ, টেব্লেট মখল কয়া ফংলি। দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অসি য়াম্না শাথীবা মখলগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকনি। টেব্লেট অসি চারবদি তূমদ্রবসু অদুমক ঙন্বা অমদি মশা কল্লগা লৈবা মাঞ্জবা মখলগী ময়াই চেল্লি। অসিগুম্বা শাথীরবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অসি লমদম অসিদা শীজিন্নবা মীওই কয়া লৈরিবনি। ওভরদোজদা লৈখিদবা মীওই কয়া অমসু য়াওরিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসি থিংনবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এক্সাইজ হেদ ক্বার্টরগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট এল রঘুনা চীফ গেষ্ট, স্মার্ট সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি এন ধনপতিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। নৈনশঙ ক্লবকী সেক্রেটরি ডো. পোৎশংবম খম্বা অমদি দল্লিয়ু এফ সীগী প্রসিদেন্ট অরিবম মোহেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

কালা একাদেমিগী সেক্রেটরি কিশ্বরজিৎ ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস):

ঠিএটর সেন্টর মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ওইরিবা এল কিশ্বরজিৎনা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিগী সেক্রেটরি ওইরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী চেয়রমেন ৱারেপ্পা নবানা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী লাইফটাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনাচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এল কিশ্বরজিৎনা হায়খি, ষ্টেট কালা একাদেমি অসি হৌজিক অৱাৎপনা থল্লি। ফাইন আর্টকী সেক্সন অসিসু শিরে। হান্না পায়খৎলম্বা কয়া পায়খৎপা ঙমদ্রি। অহাঙবা ফম কয়াসু লৈবনা থবক তৌবদা অপনবা ওইরে। ষ্টেট কালা অসি মশাগী ওইনা ট্রেদ কয়া লৈজবনি। ফাইন আর্ট, আর্কাইবস, ভিদিও, ওদিওনচিংবা লৈরিবনি। পুয়ানচিংবা অমদি ষ্টেটকী ফিরালনচিংবা শোকপা য়াদে হায়না থল্লি। ভিদিও, ওদিওনচিংবা মমল য়াল্লবা আর্টিষ্টশিংনা তৌরম্বা কয়া অসি মাঙখিদনবা সী দিদা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। দ্রামা ফেষ্টিবেল তৌনবসু হোৎনরি। আর্ট এন্দ কলচরগী ওইনা খ্বাইদগী শোনবা দোক্যুমেন্টেসন তৌবা অসিসু পাঙথোক্লবা হোৎনরি। ষ্টেট কালা অসি ওটোনোমস ওইনা লিংখৎলম্বা মরম্না হিংহনবা চঙই। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী প্রোজেক্ট রেকমেন্দ তৌবদা আর্ট এন্দ কলচর দিরেক্টরনা খূৎয়েক পীবদা মিনিষ্ট্রিনা খঙবীদে। ষ্টেট কালা একাদেমিগী সেক্রেটরি হায়না চৎনবদগীনি। ষ্টেট কালা একাদেমি রিভ্যিু তৌবা চঙই। ফুল ফ্লেজেদ ওইনা মথৌ তৌবা তাই। মশক থোকপা একাদেমি ওইহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লময়ানবা ইরাবতকী লীক্লমবু মাঙদা পুখৎলসি : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ :

নিংথৌ লৈঙাক মুথৎলগা মান্নবা খুন্নাইদা যুন্স্ফম ওইবা মনিংতম্বা লৈবাক অমা শেম্লবগী লাম্থেংচঙশিল্লম্বা লময়ানবা ইরাবতকী লীক্লম ঙসিগী মীরোলনা অমুক হন্না খুদুংইল্লসি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লময়ানবা ইরাবতপু শৈথাবা, লময়ানবগী মীতমদা হৈ-লৈ কৎপা অমদি নুমীদাং মৈরা কৎপখক্তনা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী মতিক ময়াই অদু ফংবা ঙল্লোই। লময়ানবা ইরাবতনা চুখৎলম্বা ৱাখল্লোনগী মৈরাবু ঙসিগী অনৌবা মীরোল ঐখোয়না অমুক হন্না মঙাল থোকহন্দুনা মান্নবা খুন্নাইদা যুন্স্ফম ওইবা মনিংতম্বা মণিপুর অমদি লাম্থেংদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়না লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং থাবুমনা লাকপদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মীয়ামদা য়াওলগী য়াকাই পাউজেল পীজরি।

লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন অসিখক্তনা মণিপুর মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা চাউখৎ লম্বীনি অমদি য়াইফবা পুন্সিরোল শেম্লবগী পাম্বৈনি। লময়ানবা ইরাবতনা খুন্নাই অসিদা মরু হুল্লম্বা মান্নবা খুন্নাই হায়বা অসিখক্তনা মনিংতম্বা মণিপরগী য়াইফবা তুংলমচৎ শেম্লবগী লম্বীনি। লময়ানবা ইরাবতনা লৌরম্বা থৌদাং পাঙথোক্লম্বা থবকশিং অমদি থল্লম্বা মীৎয়েংশিং মমুৎ তানা নৈনরগদি ঙসিগী খুন্নাইনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ফীভম কয়াবু মায়োক্লবা ঙমগনি। ঐখোয় খুদিংমক্না চিন খক্তনা লময়ানবা ইরাবতপু নীংশিংবা অদুগা লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অদুবুনা মীরাইবনা ঙসিগী তংদু লৈতাদ্রবা খুন্নাইগী তাঙ্কক অসিদগী অওনবা হেন্না য়াইফবা মীপাল তাঙদবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙমদ্রিবনি। ঙসিগী চহী-চক অসিদা খুন্নাইদা লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনীগী মরক্তা খাগৎলক্লিবা শম্বল অসি নমখায়নবা হোৎনহৌদ্রগদি খুন্নাই অসিগী য়াইফবা তুংলমচৎ অমা শেন্বা ঙল্লোই হায়রি।

লময়ানবা ইরাবতকী চাক অদুদা লৈরম্বা নিংথৌগী শুপ্লম লৈঙাক অমদি ঙসিগী খুন্নাইদা লৈরিবা দেমোক্রেসিগী মিংদা চথরিবা শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌগী শুপ্লম লৈঙাক অনীসিগা চাংদম্ন বদা করিসু খেন্নবা লৈত্রি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা লৈবাক নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ অদুগা ঙসিগী চক অসিদা লৈরিবা শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌনা য়াইফনা পাল্লিবা পুন্সিরোল অনীদা খেন্নবা করিসু লৈতে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম (ফ্যুদেল সোসাইটি) অমদি ঙসিগী শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌনা খুল্লিংবা (সেমি ফ্যুদেল সোসাইটি) চক অনীমকসিদা অৱা-হেদোংলিবা অমদি মীনাই নাইথাং ওইনা হিংলিবসি লায়রবা লৌমী শিন্মী মীয়াম খক্তনি। ঙরাংনা বৃটিশকী মখাদা লৈবাক নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা হংলাই ওইজবনি। অদুগা ঙসিনা ইন্দিয়াগী মখাদা শেঞ্জাও পায়বা অমদি অঙম অথৌশিংনা হংলাই ওইবনি। ঙরাংনা নিংথৌগী খুৎতা ঙসিনা ফম্নাইবশিংগী মখুৎতা মীয়াম্না মীনাই নাইথাং ওইবনি। মীয়ামগী য়েক্লবা মীফৎতশিংগী মমিংখক্তনি হোংবা অদুবু মরমচৎতি হোংবা লৈতে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লময়ানবা ইরাবতনা লুচিংদুনা লায়রবা লৌমী শিন্মী মীয়াম্না য়াওল লালহৌ শেমগৎলম্বগুম ঙসিগী দেমোক্রেসিগী মতমদা মীয়াম্না খনবনি হায়বা মীহুৎশিংগী মতম অসিদসু মীয়ামগী অৱাবা অদুদি চপ মান্ননা থেংনরিবা ওইবনিনা লময়ানবা ইরাবতকী লীক্লম অদুগা মান্নবা লাঞ্জং অমদা চপ মান্নবা পান্দম অমসুং পন্থুং অদুদা য়াওল লালহৌ চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

চেরোল অসিনা হায়, খ্বাইদগী মরুওইনা লময়ানবা ইরাবতকী মতমদা লৈরম্বা য়াওল লালহৌগী ৱাখল্লোন পরিংগী তাঙ্কক অসি মাক্সিজমগী কাঙলোননি লোয়নননা লেনিনিজমগী মমি হুল্লকপা তাঙ্ককনি। অদুবু ঙসিগী তাঙ্কক অসিদি মালেমগী কম্যুনিষ্ট লালহৌগী মশক্তা মাক্সিজম-লেনিনিজম-মাওইজমগী ৱাখল্লোননা লমজিংবা মতমনি। মরম অদুনা ঙসিগী মীরোলনা লময়ানবা ইরাবতকী লীক্লমবু মখা শমথনবগীদমক মাক্সিজমদগী হেন্না খুন্মাং চাউশিন্না শেমগৎলক্লিবা মাক্সিজম-লেনিনিজম-মাওইজমগী ৱাখল্লোন্না লমজিং মৈরা ওইদুনা খুন্নাইগী য়াওল লালহৌ চঙশিনবনি। খোঙথাং অসিনা খ্বাইদগী অঙ্সা অমদি লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনবু মপুং ফাহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং থাবুম অসিদা লময়ানবগী ৱাখল্লোনবু মপুং ফানা মীয়াম্না নৈনবীদুনা মহাক্না চুখৎলম্বা মান্নবা খুন্নাইগী অশেংবা মশক অদু খঙনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস):

কংলৈপাক অপূনবা লমজিং লূপ লাংঙাথেলনা থা অসিগী ১২ দগী যুনিভর্সেল পার্টিসিপেসন ইন ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন এন্দ ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন টু কর্ব গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বা থিমদা চথরকখিবা উথাবগী থৌরম ঙসি এম এল এ পাওনম ব্রোজেনসু শরুক য়াদুনা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর লাংঙথেলগী অকোয়বদা উ চারা থাদুনা লোইশিনখ্রে।

থাখায় অমা হেন্না চথরক্লবা কেম্প অসিদা ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা খুল অসিগী অকোয়বা শীনবা থুংনা শীৎ-শেংখি। খোংজোম কৈথেলগী খুল য়ৌবা ফাওবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা উহৈ পানগদবা উ চারা কয়া থাখি। ইনভাইরনমেন্টকী মরুওইবা কয়া ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা খন্দুনা থৌদাং কয়া লৌরকপা অসি শীংথানিংঙাইনি হায়নসু এম এল এ ব্রোজেননা ফোঙদোকখি।

নাগালেন্দগী ঈচাওদা মীওই ১২ শিরে

কোহিমা, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী):

কেরলাগী মতুংদা নাগালেন্দদসু নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ অমসুং ঈচাও থোকপদা মীওই ১২ শিখ্রে। চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা ত্বিটরগী খূথাংদা মতেং পাংবীরক্লবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা নৈফিয়ু রিওনা হায়খি, নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুখিবগা লোয়নননা ষ্টেটকী মফম অয়াম্বদা লেন্দস্লাইদ অমসুং ঈচাও থোক্লে। মতাং অসিদা মরী লৈনবা পুম্নমক্না অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংবীরকপা তঙাইফদে।

রিওগী পাউখুম ওইনা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা নাগালেন্দদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম কয়ামরুম থাজিনখিবগা লোয়নননা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপা হৌহনখ্রে।

নাগালেন্দ ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটিনা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটকী খুঙ্গং ৪০০ ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়নননা ইমুং ৩,০০০ লোম ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়রি।

[illegible]/MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 22659 of 2009 issued by BOSEM, on the way from Porompat to Bazar on 28/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/2072/1 **Sd/- Ningthoujam Bronson Singh**

[illegible]/খঙহঞ্জবা

তাং ৩১/০৮/২০১৮ ইং

Highways Transporter Welfare Association, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, Imphal West, P.O. & P.S. Imphal, Manipur কৌবা Association অমা Manipur Societies Registration Act 1989 গী মখাদা Register তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বশিংনা য়াওবিনিংবা অমদি য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০৯/২০১৮ ইং ফাওবদা মথক্তা পীজরিবা লৈফম অসিদা লাক্লগা হায়বিরবা য়াগনি।

হায়জরিবা ঃ **Thongam Boby Singh**
Secretary
☎ 7005283195

HL-P/2074/1

[illegible]

HOME TUTORS AVAILABLE

(FREE REGISTRATION)

TIMES TUTORIAL, a division of **TIMES INTERNATIONAL,** Imphal is providing up to date home tutors at the lowest fees up to Class XII. Interested guardians may kindly contact at the given address.

Contact No. : ☎ +91 8415042124 / +91 7005707412

Sd/- TIMES INTERNATIONAL
Near, Sangai Hotel, Nagamapal, Imphal

HL-P/5312/1

[illegible]

IRA FINANCE- STATE WIDE LOAN

PENSION / HOUSING / SERVICE / UNEMPLOYED

Amount : ₹ 50,000 - Crores
Interest : 0.75% per month, 9% per annum

GREAT NEWS

SMALL / MEDIUM / LARGE ENTERPRENEUR FUNDING WITH SUBSIDY

Contact : BIRLA EMPORIUM @ IRA FINANCE
Khurai Sajor Leikai, Ukhrul Road
Imphal East ☎ 9774183512 / 7005889337

DUBAI JOB

- High Salary with no tax
- Safe & Secure accomodation
- Job Assistance
- Well expertise mentor
- Visa Assistance
- Passport Assistance
- Any job based on your qualification and experience
- Free Counselling
- Airport pickup

☞Come and upgrate your life in global city Dubai

WANTED TRADERS (STOCK, BINARY OPTION, ETC.)

HL-P/5308/15,9&13

[illegible]/মী মাঙখ্রে



থা অসিগী হৌখিবা তাং ২৪ অমদি ২৫ গী লোন্নবা অহিংদা ঐগী ইচানুপা অতোম্বা য়াংলেম বিজেন (নাওতোন) অমদি ইমৌনুপী অহল য়াংলেম ওংবী সুবদনি অনী অসি ইমুং-মনুংগী নিংঙাই শংদাইনবা অমদগী যুমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রে। মখোয় অনীবু কনাগুম্বনা থেংনবীবা য়াওরবদি মখাদা সহি তৌজরিবা ঐঙোন্দা পাউ পীবীয়ু নৎত্রগা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নবীয়ু।

হায়জরিবাঃ য়াংলেম বসন্ত সিংহ
থৌবাল ৱাংমতাবা
☎ 9856361791

HL-P/5309/1

[illegible]/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

Phone No. **9612225582**
HL-B/4802/20/8-19/09

CENTRAL INSTITUTE OF PLASTICS ENGINEERING & TECHNOLOGY (CIPET), IMPHAL

DIRECT ADMISSION - 2018
(FOR LIMITED VACANT SEATS ONLY)

DIPLOMA IN PLASTICS MOULD TECHNOLOGY (DPMT)	DIPLOMA IN PLASTICS TECHNOLOGY (DPT)	POST GRADUATE DIPLOMA IN PLASTICS PROCESSING & TESTING (PGD-PPT)
Entry Qualification - X Passed	*Entry Qualification - X Passed*	*Entry Qualification - B.Sc. Passed*

Lateral Entry seats are also available in both DPMT & DPT Courses
Entry Qualification - XII (Sc) Passed

For details call us : +91-841590141, 9862027863, 8974431157

HL-P/5300/30,31&1sept

राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान मणिपुर
NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR
Imphal, Manipur, Ph. (0385) 2058566 / 2445812
E-mail:- director@nitmanipur.ac.in , Website : www.nitmanipur.ac.in
An Autonomous Institute under MHRD, Govt. of India

PRESS RELEASE

NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR

It has come to the notice of the authorities of NIT Manipur that some people have been circulating fake news on social media and some newspapers of Bihar that some Bihar students have been harassed and threatened at NIT Manipur Campus. On investigation by the authorities, it has been found that no such incident has happened in NIT Manipur. The photo which was circulated in the news also does not belong to NIT Manipur. Hence, it is circulated to information to all not to believe in such fake news and that action will be taken against such miscreants circulating the news.

Sd/- **Dr. Kh. Manglem Singh**
Registrar i/c, NIT Manipur

HL-B/4825/1



SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII FOUNDATION COURSE
(3rd Batch) - 2018

Starting of Class : 10th Sept., 2018
Subject Offer: Physics, Chemistry, Mathematics
Class timing: 4.30 pm to 7.30 pm

Managing Director

We nourish your future

HL-B/4820/30Aug&1-28 Sept(Alt.)

[illegible]

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

- * BANGLADESH
- * KAZAKHSTAN
- * PHILIPPINES
- * SOUTH AMERICA
- * RUSSIA
- * CHINA
- * KRYGYSTAN
- * GEORGIA
- * UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact :ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895

HL-B/4779/6/8-5/9



EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

[illegible] Limited Seats!

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nonidy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrinalini (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wanliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Boeja (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-B/4797/17/8-15/9